হায় কোর্টকী চীফ জষ্টিসনা এ দি আর সেন্টর মঙা হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১১ (ঐচএনএস): মণিপুর ষ্টেট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি (মসলসা) গী পেট্রোন ইন চীফসু ওইরিবা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী চীফ জষ্টিস রামালিঙ্গম সুধাকরনা থৌবাল, বিষ্ণুপুর, চুড়াচান্দপুর, সেনাপতি অমসুং উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টশিংগী কোর্ট কমপ্লেক্সশিংদা অনৌবা অলটর্নেটিভ দিসপ্যুট রিজোল্যুসন (এ দি আর) সেন্টরশিং অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা শঙ্গাখ্রে।

ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.১৫ তারকপদা দিষ্ট্রিক্ট মঙা অসিগী অনৌবা এ দি আর সেন্টরশিং অসি অথোইবা মীথুংলেননা ভিদিও কনফরেন্সিংগী খূথাংদা হাংদোকখিবনি। অদুগা থৌরম অসিনা মণিপুর ষ্টেট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি (মসলসা) না শীনবনি।

ঙসিগী থৌরম অসিদা মসলসাগী মেম্বর সেক্রেটরি গোলমৈ গাইফুলশিল্লুনা ৱেলকম এদ্রেস পীখিবগা লোয়ননা মসলসাগী এগজিক্যুটিভ চ্যেরমেনসু ওইরিবা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী জষ্টিস খ্বাইরাকপম নোবিননা থৌরমগা মরী লৈননা ইন্ত্রোদক্টরি স্পীছ পীখি।

থৌরম অসিদা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী জষ্টিস লানুসুংকুম জামির, জষ্টিস এম ভি মুরালিদরন, জষ্টিস অহন্থেম বিমোল, মণিপুর লৈঙাক্কী চীফ সেক্রেটরি ডা. রাজেস কুমার, মণিপুরগী এদভোকেট জেনরেল নাওরেম কুমারজিৎ, হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী রেজিষ্ট্রার জেনরেল অরিবম গুনেশ্বর, লৈঙাক্কী সেক্রেটরি (লো এন্দ লেজিসলেটিভ এফ্যেরস) নুংশিতোন্বী অথোকপম, বার কাউন্সিল ওফ মণিপুরগী চ্যেরমেন ও মোধুচন্দ্র, হায় কোর্ট বার এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট ইবোতোম্বী নামোইজম (সিনিয়র এদভোকেট), ওল মণিপুর বার এসোসিএসন (অম্বা) গী প্রসিদেন্ট মাইবম নিলচন্দ্র, দিষ্ট্রিক্ট বার এসোসিএসনশিংগী প্রসিদেন্ট অমদি সেক্রেটরিশিং, দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটিশিংগী চ্যেরমেন/সেক্রেটরিশিং, জুদিসল ওফিসরশিং অমসুং বারগী মেম্বরশিংনা ভিদিও কনফরেন্সিংগী খূথাংদা থৌরম অসিদা শরুক য়াখি।

থৌরমগা মরী লৈননা অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবা চীফ জষ্টিস রামালিঙ্গম সুধাকরনা ফোঙদোকখিবদা, অনৌবা এ দি আর সেন্টরশিং হাংদোক্লিবসি ষ্টেট অসিগী অথাপ্পা মফমদা লৈবা দিষ্ট্রিক্টশিংদসু লিটিগেসন কেসশিংগী মশীং হন্থহন্নবগীদমক চপ মান্নবা ফেসিলিটি অমসুং ইনফ্রাষ্ট্রকচর লৈহন্নবগী পান্দমদনি। এ দি আর সেন্টরশিং অসি মেদিএসন অমসুং এমিকেবল সেট্টলমেন্টকী খূথাংদা দিসপ্যুটশিং শন্তাইননবা লিংখৎপনি।

মহাক্না দিষ্ট্রিক্ট জুদিস্যারি, দিষ্ট্রিক্ট বার এসোসিএসনশিং অমসুং মীয়ামদা নৌনা হাংদোক্লিবা এ দি আর সেন্টরশিং অসি শীজিন্নবীদুনা মখোয় মখোয়গী কেসশিং মেদিএসন অমসুং কাউন্সেল্লিংগী খূথাংদা শন্তাইননবা হোৎনবীয়ু হায়নসু আপিল তৌখি।

থৌরমগী লোইশিল্লকপদা সেক্রেটরি (লো এন্দ লেজিসলেটিভ এফ্যেরস) নুংশিতোন্বী অথোকপমনা শরুক য়াখিবশিংবু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

মণিপুর পুলিসনা বিহারদগী ফারকপা য়ু জি ২ কোর্টতগী ফোর্মেল এরেষ্ট তৌখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১১ (ঐচএনএস): শিংজমৈ পুলিস ষ্টেসননা কুমজা ২০১৬তা হেন্দ গ্রেনেদ পোকখায়হনখিবা থৌদোক অমগা মরী লৈননা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎপা কেস এফ আই আর নম্বর ৭৮ (৫) ২০১৬ অন্দর সেক্সন ৩০৭/৪২৭/৩৪ আই পি সী, ৩ - এক্সপ্লোসিভ সবষ্টেন্সেস এক্ট অমসুং ২০-য়ু এ (পি) এমেন্দমেন্ট এক্টকা মরী লৈননা বিহারদগী ফারগা ইম্ফালদা পুরকখিবা কে সী পি (এম জে সী) গী মরু ওইবা মীওইশিংনি হায়বা অনী কোর্টনা জুদিসল কষ্টদিদা রিমান্দ তৌরবা মতুংদা শিংজমৈ পুলিস ষ্টেসননা লৌখৎপা অতোপ্পা কেস অমগা মরী লৈননা কোর্টতগী ফোর্মেল এরেষ্ট তৌরগা নুমিৎ ৫নিগী পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ লৌখ্রে।

ঙসি চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট (সী জে এম), ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টতা পুলিসকী মায়কৈদগী জুদিসল কষ্টদিদা রিমান্দ তৌবীয়ু হায়দুনা প্রেয়র তৌরদুনা পুথোরকখিবা য়ু জিনি হায়বা মীওইশিং অদুনা শিংজমৈ মখা নাওরেম লৈকায়দগী নাওরেম দিলিপ এলাইজ ৱাংঙম্বা (৩১) অপোকপা লৈখিদ্রবা এন দোলেন্দ্রো অমসুং শমুরৌ মখা লৈকায়দগী লোংজম অর্জুন এলাইজ নাওবী এলাইজ ঈংবা মৈতৈ (৩২) নি।

পুলিসনা ঙসি কোর্টতা সবমিট তৌরকখিবা মখোয়গী জুদিসল কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়রদা ফোঙদোকপগী মতুংইন্না দিলিপ এলাইজ ৱাংঙম্বনা য়ু জি গ্রুপ অসিগী এসিষ্টেন্ট ফাইনান্স সেক্রেটরি ওইবনি। অদুগা অর্জুন এলাইজ নাওবী এলাইজ ঈংবা মৈতৈনা গ্রুপ অসিগী ফাইনান্স সেক্রেটরিনি হায়রি।

মখোয় অনী মমাঙ থাগী ২৯দা বিহারগী জোগবানি পুলিস ষ্টেসনগী টিম অমনা মফম অদুগী চনক্যা চোক্তগী ফাগৎখিবনি। মসিগী মতুংদা মখোয়বু মণিপুর পুলিসকী টিম অমনা মথংগী নুমিৎতা অমুক হন্না ফারগা বিহারগী অরারিয়াদা লৈবা এদিসনেল চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট - ৪গী মমাঙদা পুথোক্তুনা থা অসিগী ৬ ফাওবা ত্রাঞ্জিৎ রিমান্দ লৌরগা ইম্ফালদা পুরকখিবনি। মখোয়বু থা অসিগী ৪দা ইম্ফালদা পুরকপগা পন্থদনা মরী লৈনবা কোর্টতা পুথোক্লৱা মতুংদা ঙসি ফাওবগী ওইনা নুমিৎ ৮নিগী পুলিস কষ্টদি রিমান্দ লৌদুনা থন্নকখিবনি।

অদুবু, ঙসি মখোয়গী পুলিস কষ্টদি রিমান্দগী মতম লোইরদুনা জুদিসল কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র তৌদুনা পুথোরকখিবদা মখোয়বু শিংজমৈ পুলিস ষ্টেসননা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎপা অতোপ্পা কেস এফ আই আর নম্বর ২৪৬ (১২) ২০১৬কা মরী লৈননা ফোর্মেল এরেষ্ট তৌজগে হায়রকপদগী কোর্টনা অয়াবা পীখিবনি। লোয়ননা অকোনবগী কেস অসিগা মরী লৈননা ফোর্মেল এরেষ্ট তৌরবা মখোয় অনীবু পুলিস কষ্টদিদা নুমিৎ ৫নিগী ওইনা রিমান্দ পীবিনবা হায়জরকখিবদগী কোর্টনসু অয়াবা পীখিবনি।

মখোয় অনী চেন্নবা তোঙান তোঙানবা পুলিস ষ্টেসনশিংনা লৌখৎপা পূন্না কেস ২০ লৈরি হায়বা ৱাফমসু পুলিসকী মায়কৈদগী কোর্টতা ফোঙদোকখি।

শা-ষণ হীদাক কাপথোকখ্রে

য়াইরিপোক, দিসেম্বর ১১ (ঐচএনএস): য়াইরিপোক ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ৱার্দ নম্বর ৯গী সোসল ৱার্কর লাইশ্রম সোমোরেন্দ্রো, কাউন্সিল অসিগী ৱার্দ দিভলপমেন্ত কম্মিটিগী মেম্বর মাইবম শেলুং অনীনা য়াইরিপোক ভেটিরিনরি হোস্পিটালগা খূৎশম্নরগা ঙসি ৱার্দ নম্বর ৯গী মনুংদা লৈবা শা-ষণশিংদা পাকশন্না হীদাক কাপথোকখ্রে।

ভেটিরিনরি হোস্পিটাল য়াইরিপোক্কী ডোক্টর কে ব্রোজেননা লুচিংবা ষ্টাফশিংনা শা-ষণশিংগী মচিন-মরৈ, মখোঙদা নাগনবা লায়নাশিংদগী ঙাকথোক্নবা হীদাক কাপথোকখিবা অদুদা ৱার্দ অদুগী মীয়াম্না সোসল ৱার্কর সোমোরেন্দ্রো, মেম্বর শেলুং অমদি ভেটিরিনরিগী ষ্টাফশিংবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

খাঙবোক্কী লাইরিক ফবা মহৈরোয়শিং তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১১ (ঐচএনএস): পোপ্যুলর য়ুথ ক্লব, খাঙবোক্না শীল্লগা ঙসি খুল অদুগী লাইরিক ফবা মহৈরোয়শিং তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা খাঙবোক পার্ট থ্রী মখা লৈকায়দা লৈবা ক্লব অসিগী শান্নবুংদা পাঙথোকখ্রে।

ঙসিগী থৌরম অদুদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি ডা. এস ইবোমচা, খাঙবোক পার্ট টু জি পিগী প্রধান এস ঐচ ওপেন্দ্রো, খাঙবোক পার্ট থ্রী জি পিগী প্রধান নোমীনি এম মঙলেমজাও, রিমসকী গাইনি দিপার্টমেন্টকী এক্স সেনিয়র রেসিদেন্ট ওফিসর ডো. লাইশ্রম সোমেনকুমারনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

এস পি ইবোমচানা মহৈরোয়শিংগী পুন্সিদা থকসি খাসি ঙাক্লা চৎপনা তুংগী পুন্সিদা পীবা কান্নবা কয়া মরীক চুন্না ফোঙদোকখি। থকসি খাসি লৈবা, হোৎনবা কনবা অমদি অচুম্বা ঙাঙবনা তুংদা লাকচরকই, মায় পাকই হায়খি। ঙসিগী থৌরম অদুদা এন ঈ ঈ টিগী এগজামদা মায় পাক্লবা মহৈরোয়শিং অমদি ক্লাস টেন অমদি ত্বেলভকীদা মার্ক ৱাংনা ফংদুনা মীকোক থোংলক্লবা মহৈরোয়শিংদা অচম্বা খুদোলশিং তমখি।

পনবা য়াবদি, হন্দক্তা মণিপুর লৈঙাক্না এন্টি দ্রগ ৱারিয়র এৱার্দ পীদুনা ইকায়খুম্নখ্রবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি ডা. এস ইবোমচাবুসু ক্লব অসিনা তরাম্না ওক্তুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি। মসিগী মথক্তা টাস্ক ফোর্স এন্টি-কোভিদ ১৯ খাঙবোক এ সীগী কাঙবুদসু অচম্বা খুদোলশিং তমখি। থৌরম অদুদা নাৎকী ওইবা থৌরম কয়াসু উৎখি।

সমসন লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোক্নরক্লি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১১ (ঐচ এন এস): মণিপুরগী মমিং লৈরবা ঈশৈ-নোংমাইগী কাঙলূপ রূপ-রাগগী মরু ওইবা আর্টিষ্ট অমা ওইরম্বা ৱাহেংবম সমসন্না ঙরাং নুংথিল পুং ৪.৩০ রোম তারকপদা রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) কী কোভিদ ক্যের সেন্টরদা খঙহৌদনা লৈখিদবদা পোল ষ্টার ক্লব (পি এস সী), মণিপুরনা থম্মোয় শোক্না অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অমদা পি এস সীনা হায়, লৈখিদ্রবা দল্লিয়ু সমসন ক্লব অসিগী মরু ওইবা মেম্বর অমনি। মহাক্না পাঙথোক্লম্বা থবকশিং মতম পুম্নমক্তা নীংশিংদুনা লৈরগনি। মহাক্কী থৱায়বু ইকায়খুম্নবা উৎতুনা মিনট ২ তুমিন্না লৈখি। মহাক্কী থৱায়না মপুগী মনাক্তা ঈংনা চিক্না লৈরুবা ওইরসনু হায়রি।

অমরোমদা ফিল্ম ফোরম মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি এন জি ঘনশ্যামনা থোরকপা চেরোল অমদসু শক্নাইরবা আর্টিষ্ট অমসুং ফোরম অসিগী জেনরেল বোদিগী মেম্বর ওইরম্বা দল্লিয়ু সমসননা খঙহৌদনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি। মহাক অপূনবা মণিপুর মতম ঈশৈ কাঙলূপ (অম্মিক) কী ভাইস প্রসিদেন্টকী থৌসু পুরিবনি হায়রি।

মহাক লৈখিদবদা ফোরম অসিনা মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্পুনা অৱাবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মহাক্কী ইমুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়রি।

ওজা সনাজাওববু নীংশিংদুনা এসে কম্পিটিসন পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১১ (ঐচএনএস): ওজা সনাজাওবা মেমোরিএল ত্রষ্ট অমসুং এন আর সী (নেসনল রিছার্স সেন্টর), মণিপুরনা শীন্দুনা ওজা অসিগী নীংশিং কুমওনগা মরী লৈননা ষ্টেট লেভেল এসে কম্পিটিসন অমা পাঙথোক্কদৌরি।

কম্পিটিসন অসি মণিপুরী অমসুং ইংলিস লোল অনীমক্তা পাঙথোক্কনি। মসিগী টোপিকনা মথংশিংনা ‘ওজা সনাজাওবা অমসুং মণিপুরগী অপূনবা শক্তম’ অমদি ‘ওজা নাওরেম সনাজাওবা এন্দ ইন্টিগ্রিটি ওফ মণিপুর’ হায়বসিনি। ৱাহৈ লিশীং ৩দগী তাদনা ইরক্নদবা কম্পিটিসন অসিদা য়ামদ্রবদা গ্রেজুয়েট নৎত্রগা পোষ্ট গ্রেজুয়েট ওইরবা কম্পিটিটরশিংনা শরুক য়াবা য়াগনি হায়রি।

কম্পিটিসন অসিগীদমক এম য়ুগী ম্যেন গেট মমাঙদা লৈবা এন আর সী, এম য়ুগী লাইব্রেরি মনাক্তা লৈবা রিদরস বুক ষ্টোর অমসুং ম্যেন গেট মমাঙগী কাঞ্চি বুক ষ্টোরদগী ফোর্মশিং ফংগনি হায়রি।

এৱ্যোর্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

হৈরোক, দিসেম্বর ১১ (ঐচএনএস): কোভিদ-১৯ থেংনবদা হ্যুমেন রাইট হায়বা হীরমদা নোংমগী ওইবা এৱ্যোর্নেস প্রোগ্রাম অমা নিংঙোল ক্লব, হৈরোক্কী টেম্পরেরি ওফিসতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা কাদাগী প্রসিদেন্ট হিজম প্রিয়োকুমার, নিংঙোল ক্লবকী প্রসিদেন্ট সোফিয়া খুন্দোংবমনা থৌরম মপুশিং ওইনা শরুক য়াখি। হ্যুমেন রাইটস এলার্টকী কনভিনর বব্লু লোইতোংবমনা থৌরম অদুদা রিছোর্স পর্সন ওইনা ৱা ঙাঙখি। বব্লু লোইতোংবমনা ফোঙদোকখিবদা মীয়ামগী রাইট হায়বা অসি করিনো হায়বসি ঐখোয় লোইনমক খঙবা য়াম্না মথৌ তাই। অদুমকপু মীয়ামগী থবক তৌদ্রবসু মীওইবা অমা ওইনা ঈশাগী রাইট হায়বদি ফন্দামেন্টেল রাইটশিং অসিদি ঐখোয় খুদিংমক্কী তঙাইফদবা অমা ওই। অদুম ওইনমক মীয়ামগী থবক তৌরিবশিংনা মসিগী মতাংদা খরা মরীক চুন্না খঙবা মথৌ তাই। মণিপুরগী ঙসিগী লৈরিবা মীওইবগী রাইট খোঙ্গাওনবা য়াম্না চথুরিবা লমদম অসিদা মী অমনা হিংবদা চঙদবা য়াদবা রাইট অসি ঐখোয়না খঙলক্তবনা খোঙ্গাওনবগী চাং ৱাংবনি হায়খি।

পোৎফম ফম্বীশিংদা সেনিটাইজর, ফেস মাস্ক য়েন্থোকখ্রে

থৌবাল, দিসেম্বর ১১ (ঐচএনএস): কোভিদ-১৯দগী খরদং ওইরবসু ঙাকথোকপা ঙম্নবগী পান্দমদা চঙশিল্লকপা খোঙথাংগী শরুক অমা ওইনা ঙসিসু ২৭রকশুবা ওইনা থৌবাল কৈথেলদা লৈবা ইতীন কম্প্যুটরাইজ আই টৈষ্টিং এন্দ আই ক্যের সেন্টরনা হেন্দ সেনিটাইজর অমদি ফেস মাস্কনচিংবশিং য়েন্থোক্তুনা মতেং পাংখ্রে।

ঙসিগী সেনিটাইজর অমদি ফেস মাস্ক য়েন্থোকখিবা অদু আই ক্যের সেন্টর অদুগী প্রোপ্রাইটর ইতীন মীতৈগী মপোক নুমিৎকা মরী লৈননা থৌবাল কৈথেলগী অকোয়বদা পোৎফম ফন্নিবী ইমা ইবেলশিংদা অমদি দুকান ফন্নিবশিংদা কোরোনাদগী খরদং ঙাকথোকপদা মতেং ওইনবা মাস্ক, হেন্দ সেনিযাইজর স্প্রে পূন্না ৮০০ মুক মতেং পাংখিবনি।

খোঙচৎ অসিদা থৌবাল ক্ষেত্রিলৈকায়দা লৈবা য়ুথ ফোর টুমোরো (ৱাই এফ টি) গী মেম্বরশিংসু শরুক য়াখি। লোয়ননা থৌবাল ত্রাফিক পুলিসকী ও সী লোকেননা লুচিংবা কাঙবুনা ত্রাফিক জাম থোক্তনবা মতেং তৌবীরকপগীদমক সেন্টর অসিগী মায়কৈদগী থাগৎপসু ফোঙদোরক্লি।

গ্রেজ্যুএট ওজা ৯২৩ লৌগদৌরি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১১ (ঐচ এন এস): মণিপুর লৈঙাক্কী দিরেক্টোরেট ওফ এদ্যুকেসন (এস)কী মখাদা কন্ট্রেক্ট বেসিস ওইনা গ্রেজ্যুএট ওজা ৯২৩ লৌগদৌরি। হীরমসিগা মরী লৈননা এদ্যুকেসন (এস)কী দিরেক্টর এল নন্দকুমারনা ঙসি নোটিফিকেসন অমা থোকখ্রে।

নোটিফিকেসন অদুগী মতুংইন্না কন্ট্রেক্ট বেসিসতা গ্রেজ্যুএট ওজা ৯২৩ লৌগদৌরিবা অসি আর্টসকী গ্রেজ্যুএট ওজা ৬১৪ অমসুং সাইন্সকী গ্রেজ্যুএট ওজা ৩০৯ নি। কেন্দিদেটশিংগী মহৈগী থাক্না শকখঙলবা য়ুনিভর্সিটি অমদগী গ্রেজ্যুএট দিগ্রী অমসুং বিএইদ দিগ্রী ফংলবা ওইগদবনি। সিট রিজার্ভেসননা মণিপুর ষ্টেট রিজার্ভেসন রুল ৪ গ্রেদ থ্রী ইমপ্লোয়ীগী মতুংইন্না পীগনি। দিসেম্বর ১১, ২০২০ ফাওবদা মশাগী চহী ১৮দগী ৩৮ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মীওইশিংনা কেন্দিদেট ওইবা য়াগনি। অপ্পর এজ লিমিট অসি ও বি সী কেন্দিদেটশিংগীনা চহী ৩ অমদি এস সী/এস টি কেন্দিদেটশিংগীনা চহী ৫ কোমথোক্কনি। পর্সন ৱিথ দিসএবিলিটি কেন্দিদেটশিংগী ওইনসু রুলগী মতুংইন্না এদিসনল রিলেক্সেসন পীগনি হায়রি।

লম্বী শেম্বীনবা এইমসনা গভর্ণরদা ৱাকৎখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১১ (ঐচএনএস): অপূনবা ইমাগী মচাশিং (এইমস), মণিপুর, কবো লৈকায়গী মায়কৈদগী মণিপুরগী গভর্ণরদা ফীভম ফত্তনা লৈরিবা লম্বীশিং শেমজিনবীনবা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখ্রে হায়রি।

ঙসি এইমসকী দিরেক্টর ডা. অতোম সুনিল অমসুং সেক্রেটরি মাৰুং মিংথিংনা পূন্না খূৎয়েক পীদুনা পীশিনখিবা মেমোরেন্দম অদুদা মণিপুরগী নোনে দিষ্ট্রিক্ট অসি হৌখিবা কুমজা ২০১৬কী জন্যুৱারী ৪দা ৬.৮ রিষ্টর স্কেল য়ৌনা হাখিবা য়ুহা অদুগী ইপি সেন্টর ওইখিবনি।

মফম অসি হৈ-রা, মনা-মশিং অমসুং মণিপুরগী মরু ওইবা এঞ্জাং মথেল অমা ওইরিবা য়োংচাক মরাং কায়না ফংবা মফমনি। মফম অসি কোমলা অমসুং সন্দং ফংবগীদমক্তসু মমিং চৎলিবনি। অদুবু ইম্ফালদগী পংলাপ লাপ্পুনা লৈরিবা মফম অসিদা লৈরিবা লম্বীগী ফীভমশিং অসি অসুক্কী মতিক কিনীংঙাই ওইনা ফৎত্রে।

লম্বীশিং অদুদি দিষ্ট্রিক্ট অসিগী নাগা চীং ফাওরগা শম্নরিবা কবুই খুলেন অমসুং নোনেগী লম্বী অমদি হাওচোং লম্বীদা ফয়েং অমসুং কবুই খুলেন ফাওনরিবা লম্বীশিংনি হায়রি।

লম্বীশিং অসিদা মতিক চাবা দ্রেনেজ সিষ্টম লৈতবদগী ঈশিং খোংশিংদগী লাকপা ঈশিং চৎথোকফম লৈতদুনা লম্বীশিং অসিগী ফীভম শাথীনা শোকহল্লে হায়রি।

ব্লেক দে থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১১ (ঐচএনএস): সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট, ২০১৯বু পার্লিয়ামেন্টতা নম্ফুদা পাস তৌখিবা নুমিৎ দিসেম্বর ১১বু ব্লেক দে হায়না ইন্দিয়াগী অতৈ মফমশিংদা লেফ্ট পার্টিশিংনা শীন্দুনা পাঙথোক্লবগুম মণিপুরদসু ঙসি লেফ্ট পার্টিশিংনা ব্লেক দে থৌরম পাঙথোকখ্রে।

সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট, ২০১৯বু য়ানীংদবা ফোঙদোকপা ওইনা পাঙথোকখিবা থৌরমগী শরুক অমা ওইনা ইরাবত ভৱনদা লৈবা সী পি আইগী ওফিসতা মীফম অমা পাঙথোক্লবা মতুংদা অতেনবা রেল্লি অমসু চৎখি। মণিপুরদা লৈবা লেফ্ট পার্টিশিংনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুগা মরী লৈননা সী পি আইগী ষ্টেট সেক্রেটরি এল সোতিনকুমারনা হায়খিবদা, লৈবাক অসিদা পাল্লিবা বি জে পিগী লৈঙাক অসিনা সেক্যুলরিজমগী মায়োক্তা কাঙলূপ খরগী খুদোংচাবা পীদুনা ইন্দিয়াদা চৎনবা হৌখিবা সী এ এ, ২০১৯ অসি মতম পূম্বদা লেফ্ট পার্টিশিংনা য়াবা ঙম্লোই। লোয়ননা বি জে পিনা অসিগুম্বা মখোয়গী ভোট বেঙ্ক শাগৎনবা তৌখিবা থবক অসিগী মায়োক্তা মণিপুর য়াওনা লৈবাক অসিগী মীয়াম্না মফম কয়াদা চঙশিনখিবা খোঙজং অদুনা ঙসি ফাওবা ইন্দিয়াদা এক্ট অসি মপূং ফানা চৎনবা ঙমদনা লাক্লিবনি। অদুবু হৌজিক মপূং ফানা চৎনদ্রে হায়দুনা ঐখোয় খুদিংমক্না লায়থোকপগী মতমদি ওইদ্রি। এক্ট অসিনা করিগুম্বা ইন্দিয়াদা মপূং ফানা চৎনরকপা মতমদা মণিপুর য়াওনা ষ্টেট কয়াদা লৈরিবা য়েলহৌমীশিংদা অকনবা শাফু অমা পীগদৌরিবনি হায়খি।

ৱার্ক্স মিনিষ্টরনা মোটবুং বেল্লি ব্রিজ শাননবা উরেপ-উয়ুং তমখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১১ (ঐচ এন এস): ৱার্ক্স মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বজিৎনা ঙসি কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মোটবুংদা ইম্ফাল রিভরগী মথক্তা মোটবুং বেল্লি ব্রিজ শাননবা উরেপ-উয়ুং তমখ্রে।

পব্লিক ৱার্ক্স দিপার্টমেন্টনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা উরেপ-উয়ুং তম্বগী থৌরম অদুদা মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বজিৎনা থোং শাবগী থবক অসি কুমজা ২০২২ ফাওবগী মনুংদা লোইশিনগনি হায়বগী থাজবা পীরদুনা মহাক্না হায়খি, থোং অসি নেসনল হায়ৱে-০২ অমদি পুখাও, কংলাতোংবী অমসুং অকোয়বদা লৈরিবা ভিলেজশিংগী খ্বাইদগী মরুওইবা কনেক্টিভিটি পোইন্ট অমা ওইরিবনি। নেসনল হায়ৱেদগী পুখাও কংলাতোংবী ফাওবগী কিলোমিটর ২১ শাংবা লম্বী অসিসু অথুবা মতমদা শেমজিন্নবা হোৎনরগনি। এঞ্জিনিয়রশিংনসু ঙসি উরেপ-উয়ুং তল্লিবা থোং অসি ক্বালিটি লৈনা অমদি মতম চানা শাবা লোইশিন্নবা মরী লৈনবশিংদা পাউতাক পীগনি হায়বগী থাজবা লৈ। নৌনা শাগদৌরিবা অসিনা নেসনল হায়ৱেদগী থিংসাট, এন খোবুং, বেলোট অমসুং এন চজাংনচিংবা খুনশিংগা চৎথোক-চৎশিন তৌবদা হেন্না খুদোংচাহল্লগনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরমদুদা পি ঐচ ঈ মিনিষ্টর এল দিখো, এম এল এ ঙমথং হাওকিপ, পি দব্লিয়ু দিগী এঞ্জিনিয়র বিল্ডিংস এন নোরেন, ভিলেজ চীফ অমদি মশক নাইবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

সিটি হোস্পিটালদা ফায়র এন্দ লাইফ সেফটি প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১১ (ঐচএনএস): মণিপুর ফায়র সর্ভিস দিপার্টমেন্টনা লেপ্পুনা চথরকপা হোস্পিটাল/হেল্থ ক্যের সেন্টরশিংদা ফায়র এন্দ লাইফ সেফটিগী শোর্ট দ্যুরেসন ত্রেনিং অমসুং এৱ্যোর্নেস প্রোগ্রামশিংগী মখা তারকপদা চীংমৈরোংদা লৈবা সিটি হোস্পিটালদা হায়রিবা প্রোগ্রাম অসি পাঙথোকখ্রে।

ঙসিগী প্রোগ্রাম অসি মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেরসকী দিরেক্টোরেট জেনরেল ফায়র সর্ভিস, সিভিল দিফেন্স অমসুং হোম গর্দ ফায়র সেলগী ইন্সত্রক্সন অমসুং মণিপুর ফায়র সর্ভিসকী দিরেক্টরগী পাউতাক মতুংইন্না পাঙথোকখিবনি হায়রি।

প্রোগ্রাম অসিদা দিপার্টমেন্ট অসিগী জোইন্ট দিরেক্টর এল নবচন্দ্রনা লুচিংবা মহাক্কী টিমনা শরুক য়াখি হায়রি।

এগ্রিকলচর ওফিসরনা দিরেক্টর ওইহল্লু

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১১ (ঐচ এন এস) : ওল ইন্দিয়া ষ্টেট গভর্ণমেন্ট এমপ্লোয়ীজ কনফিদরেসনগী ষ্টেট সেক্রেটরি ডা. ঈ গিরানিনা থোরকপা চেরোল অমদা মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা লৈরিবা এগ্রিকলচর লোইশঙ অসিগী দিরেক্টরগী ফম অসি মণিপুর সিভিল সর্ভিসকী ওফিসরনা ওইহনবগী মহুত্তা ক্বালিফাই ওইরবা এগ্রিকলচর ওফিসর অমনা ওইহল্লু হায়রি।

লোয়ননা হৌজিক দিপার্টমেন্ট অসিদা হাঙদুনা লৈরিবা এসিষ্টেন্ট এগ্রিকলচর ওফিসরগী পোষ্ট ১২৭ অসিসু খুদক্তা চেনেল চুন্না হাপচিল্লু। লোয়ননা বি এস সী এগ্রি পাস তৌরবা ফিল্ড এসিষ্টেন্টশিংবু প্রমোসন পীয়ু হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়বদা এগ্রিকলচর লোইশঙ অসি চাওখৎহনবনা ষ্টেট অসিগী চাথোক হেন্না পুথোক্তুনা লৈবাক অসি চাওখৎকদৌরিবনি হায়রি।

DUTTA AYURVEDIC CLINIC (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal

(অঙৌবা পকপা)

হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্লা ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

(তাং-তাং চিকপা)

তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)

দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফন্বী চাং হন্থরক্কনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

(নুংশং)

নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)

পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হান্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

(নুপাগী প্রোব্লেম)

ফন্বী পাবা, নুপাগী ফন্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

(নুপীগী প্রোব্লেম)

নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাংনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)

না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

(শমগী প্রোব্লেম)

শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

HOW TO GIVE UP WINE

If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegetables or tea without telling him.

HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL

If you want to control diabetes, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

DUTTA AYURVEDIC CLINIC (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal

HL-B/6597/09/12-07/01

CROSSWORD-3644



ACROSS

1 Shorten (10)
7 English county (8)
8 Connection (4)
9 Wicked (4)
10 Bewilder (7)
12 Meaningful (11)
14 Astonish, amaze (7)
16 Farm building (4)
19 US coin (4)
20 Disaster (8)
21 Below (10)

DOWN

1 Make up for (5)
2 Making liquor from malt (7)
3 Compass bearing (4)
4 Brave (8)
5 Spring flower (5)
6 Put in (6)
11 Topmost point (8)
12 Female relative (6)
13 Lack of red corpuscles (7)
15 Frequently (5)
17 Nick, incision (5)
18 Scheme (4)

Solution 3643

■	L	A	N	G	U	A	G	E	■	C	A	D
B	■	I	■	O	■	C	■	S	■	O	■	I
L	U	R	E	D	■	R	I	P	P	L	E	S
A	■	M	■	■	■	O	■	I	■	O	■	A
C	H	A	S	S	I	S	■	O	W	N	E	D
K	■	I	■	N	■	S	■	N	■	■	■	V
B	E	L	L	O	W	■	S	A	H	A	R	A
E	■	■	■	W	■	R	■	G	■	L	■	N
R	I	T	E	S	■	E	L	E	G	A	N	T
R	■	I	■	T	■	V	■	■	■	M	■	A
I	M	P	R	O	V	E	■	T	H	O	N	G
E	■	S	■	R	■	A	■	O	■	D	■	E
S	A	Y	■	M	U	L	L	O	V	E	R	■

SOLUTION ON NEXT ISSUE

HUEIYEN SUDOKU

Hueiyen Sudoku-3443

	5	8	1				7	2
9								
7				6		9	8	
	8		4			5		
	9						2	
		7			9		4	
	4	6		3				1
								8
1	7				8	6	9	

Solution-3442

Fill in the empty fields with the numbers
from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

9	2	3	1	5	6	8	4	7
1	6	4	8	3	7	2	9	5
8	7	5	9	2	4	1	3	6
7	9	6	4	1	5	3	2	8
3	1	8	6	9	2	7	5	4
4	5	2	3	7	8	6	1	9
6	3	7	2	4	9	5	8	1
2	8	9	5	6	1	4	7	3
5	4	1	7	8	3	9	6	2


লময়ানবা ইরাবত
ৱারী অমসুং খুৎয়েক : সামসন সলাম
য়ু: জি: তারিঙৈদা তুম্বা-চাবা মথোং খঙদবদগী ইরাবত মশা নাশিল্লকখিরম্মী।
নাবগী খুদোং চাবা লৌদুনা সিফাইনা মহাকপু ফাখিরম্মী।
১৯৪৪ সেপ্টেম্বর ১৫ দা শিলচরগী জেলদা থমখিরম্মী।